# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

www.sanaleibak.in




থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱাংজিং কোদোমপোকপী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫ শুবা শিংজু ফেষ্টিভেলগী ৭ নি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকপা ফ্রী মেডিকেল কেম্পতা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার শরুক য়াবগী শক্তম



মোরে বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা জনুৱারি ২ গী নুমিদাংদা বোর্দর পিল্লর ৭৮ কী ময়াদগী চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ৩.৭৫ কী মমল ওইগদবা মেথাম ফেটমাইল কে জি ৫ ফারগা পাউমীশিংদা উৎপা





লমদম অসিগী মহৈরোই লূপ অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী ১৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মহৈরোই লুচিংবশিংনা বেলুন থাগৎপগী শক্তম অমা


Volume No: 44 Issue: 039 | IMPHAL SATURDAY 04 JANUARY 2020 | থাংজ, ৱাকচিংগী ৯ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

অদোম পুন্সিবু নুংশিবিব্রা? নুংশিবিরবদি মতমবু থওইদবা তৌগনু, পুন্সিসি মসিনা শারিবনি

## অঈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং : ১৫.৫৩° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং : ১২.৩° সি
নোংজুগী চাং : ১৯.১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং–৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং–৪.৩৮

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭৩.৭৭
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৬.৬৭


## লুহোং–মচল

SANSUI 50" LED (SMART K)
REFRIGERATOR 3 STAR 200 LTR.
8.2 KG WASHER
₹ 48,999/-

SANSUI 32" LED (SMART K)
SAMSUNG 190 LT. REFRI.
GODREJ 7.2 KG WASHER
₹ 29,990/-
FREE TATA SKY

VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

"OLED" SONY
BRAVIA "OLED"



Sound directly from a screen.

SONY 55' KD-55A8F
₹ 3,29,900/- = ₹ 1,99,990/-

SONY 65' KD-65A8G
₹ 3,69,900/- = ₹ 2,99,990/-

SONY HOUSE, PAONA BZ. IMPHAL
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
SONY PLAZA, KEISHAMPAT TIDDIM PETROL


গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

বাসুদেব দাস খুমনচা হায়বা অমসু থাঔমৈবন্দগী ভোটর লিষ্টতা য়াওরে...!

ꯕꯥꯁꯨꯗꯦꯕ ꯗꯥꯁ ꯈꯨꯝꯅꯆꯥ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨ ꯊꯥꯎꯃꯩꯕꯟꯗꯒꯤ ꯚꯣꯇꯔ ꯂꯤꯁ꯭ꯇꯇꯥ ꯌꯥꯎꯔꯦ...!





হুজুর, চহী ১০ মুক্কী মমাঙদা টিলিপতিদা য়াওং ইল্লম্বগী মিংনি...!

ꯍꯨꯖꯨꯔ, ꯆꯍꯤ ꯱꯰ ꯃꯨꯛꯀꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯇꯤꯂꯤꯄꯇꯤꯗꯥ ꯌꯥꯎꯡ ꯏꯜꯂꯝꯕꯒꯤ ꯃꯤꯡꯅꯤ...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### মৈতৈ চনু

বিহারি ওংবী মৈতৈ চনু
হংজে মপুরোইবদা
করি চিংদোইনো নহাকপো
মখোয়গী আই এল পি হায়দুদা
স্পিসিয়েল হায়দু চিংদোইরা
রিগুলর হায়দু ওইদোইরা
পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট হায়দুরা
মখৌ পোঙনা খুল্লকই
মৈতৈ নিঙোল মৱা বিহারি
লেঙদনা লৈরসিদি সিদা
পার্মিনেন্ট ওইনা সিদা
পার্মিনেন্ট রেসিদেন্টনিদনা
পীদোইনি ঐনা সার্টিফিকেট
রিগুলর পার্মিট লৌবগী
শম ককপা খোঙউপ শেম্বা
মিষ্ট্রি ওইবা পোৎ হোনবা
পুন্নমক ইখূৎতা লৈদোইনি
খঙজরে য়াজরে পামুবা
মোমোন নোকচৈ হরাউনা
বিহারি ওংবী মৈতৈ চনু

# ইরানগী লান্মীগী মকোক য়ু এসকী এয়ার ষ্ট্রাইকতা শিরে, থাউগী মমল ৱাংখৎলক্কদৌরি

বাঘদাদ মুম্বাই, জনুৱারি ০৩(এজেন্সি)ঃ

ইরানিয়ান ইস্লামিক রিভোল্যুস্নরি গার্দ কোর(আই আর জি সি) কুদস ফোর্স য়ুনিটকী মকোক কাসেম সোলৈমনি অমসুং ইরাননা শৌগৎপা পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা ইরাককী পোপুলর মোবিলাইজেসন ফোর্সকী দিপ্যুটি হেদ ঙসি ইরাই নুমিৎকী অঙনবা অয়ুক্তা বাগদাদ এয়ারপোর্টতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চখরকখিবা দ্রোন শীজিন্নদুনা চখিখিবা এটেকতা হাৎখ্রে।



এয়ার ষ্ট্রাইকতা ইরানগী লান্মীগী মকোক হাৎখিবা মতুংদগী শুংদোক্লিবা থাউগী মমল খংহৌদনা ৱাংখৎলকখ্রে। মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্লিবা থাউগী মমল চাদা ৪ দা হেনগৎখ্রে। থাউগী কম্পনিশিংদা মথৌ তৌরম্বা য়ু এসকী ৱার্করশিংসু মফমদু থাদোক্তুনা খুদক্তা চৎখিনবা য়ু এসনা খঙহনখিবনা মরম ওইরদুনা থাউগী কম্পনি কয়ামরুম থবক লেপ্পগী ফীভমদা লৈরকপা মরমনা অমুক্কা হেন্না থাউগী মমল ৱাংখৎলকপা য়ানা লৈরি।

কাসেম সোলৈমনি হাৎখিবগী ৱাফম য়ু এস দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা কনফার্ম তৌখ্রে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী য়াথং মতুংইন্না এয়ার ষ্ট্রাইক অদু চখদুনা ইরানগী মিলিটরি লুচিংবা অদুবু হাৎখিবনি হায়রি।

মীহাৎ অদুবু ক্লেম তৌরদুনা য়ু এসনা হায় চখিখিবা থৌওং অদু তুংদা ইরাননা অমেরিকান দিপ্লোমেটশিং অমদি সর্ভিস মেম্বরশিংদা চখরক্কদবা এটেক প্লানশিং থিংনবা পান্দমদা চঙশিনখিবনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা ইরাক অমদি মসিগা নক্নবা লমদমশিংদা অমেরিকান কয়া হাৎখিবগী মরাল শিবগা লোয়ননা হন্দক্তা দিসেম্বর ২৭ তা অমেরিকান দিফেন্স কন্ট্রেক্টর অমা হাৎখিবগী থৌদোক য়াওনা ইরাকতা লৈবা কোলিসন বেজশিংদা চখিখিবা এটেক অদুদা মহাক চেন্নে হায়না মরাল শীরি।

থোকখিবা থৌদোক অদু ইরাননা শৌগৎপা পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা ইরাক্কী পোপ্যুলর মোবিলাইজেসন ফোর্সপু শৌগৎপশিং অমদি মসিগী মেম্বরশিংনা বাঘদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদা থোমজিন্নবা হোৎখিবা অদুগী মতুং তারকপদা থোকখিবনি।

য়ু এসকী থৌওং অদুবু ইরানগী মায়কৈদগী কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জাভেদ জারিফনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ইন্টরনেস্নেল টেরোরিজমগী থৌওং চখদুনা রিপব্লিক গার্দকী কম্মান্দর জেনরেল সোলৈমনিবু হাৎখিবনি হায়না মরাল শীখি।

ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলাহ অলি কামেনৈনা সোলৈমনিবু অথৌবা হায়না কৌবগা লোয়ননা মেজর জেনরেল ইস্মাইল কানিবু সোলৈমনিনা পায়রম্বা ফম অদু শিন্নখ্রে।

য়ু এসনা চখিখিবা কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ইরাননা লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অয়াতোলাহ অলি কামেনৈনা হায়, কুদ্দ ফোসকী চীফ কাসেম সুলৈমনিবু হাৎখিবা অসিনা অমেরিকা অমদি ইজরেলগী মায়োক্তা থেংননবগী অনৌবা ইনোৎ অমা হাপকৎলে। য়েক্লবশিংনা খঙগদবদি মখোয়গী মায়োক্তা জিহাদ মখা চখবগা লোয়ননা মায় পাকপনা ফাইটরশিং অদুবু ঙাইহদুনা লৈরে।

কাসেম সোলৈমনি হাৎখিবগী থৌদোক অদুনা রুসিয়াবু মীকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে। এটেক অদুনা মরম ওইরগা মিদল ইষ্টতা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা লাকহনবা য়াই। য়ু এসনা চখিখিবা থৌওং অদুনা মিদল ইষ্টতা লৈরক্লবা অরুবা প্রোব্লেমশিং ৱারোইশিন পুরকপগী মহুত্তা লমদম অদুদা উংখৎনবগী চাং হেনগৎহনগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়রি।

রুসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়ার্সকী ৱাঙাঙলোই মারিয়া জাখারোভানা মহাক্কী ওফিসিয়েল ফেসবুক পেজদা ইখিবা ৱারোলদা থৌওং অসিনা মীওই মিলিয়ন কয়াদা চৈথেং নংহনগনি হায়না পল্লি।

মখোয়গী এম্বেসিশিংদা এটেক চখবদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবগীদমক ষ্টেটনা য়ু এন সেক্যুরিতি কাউন্সিলদা দ্রাফ্‌ট ষ্টেটমেন্ট অমগা লোয়ননা চৎকদবনি। ৱাশিংটনবা মদু তৌখিদে হায়না *মখা লমায় ৩দা...*

মখা লমায় ৩দা...

# মিনিষ্ট্রি রিসফল– সি এমনা অমিত শাহ ঙসি উন্নরবা য়াই

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৩(এস এন এস)ঃ

লৈঙাক শৌগৎলিবা এম এল এশিংনা থাখিবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা মখোয়গী দিমান্দদা য়াওরিবা মিনিষ্টর রিসফল তৌবা হায়বা ৱাফমদুগী মতাংদা খন্ননবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ঙসি বেঙ্গুলুরুদগী ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে। হয়েং পার্টিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ উন্নরবা য়াই।

প্রেসনা থাজনিঙাই ওইবা মফমদগী ফংবা পাউ অমনা হায়, ঙরাং বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা কৃষি কর্ম্মন এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম য়াওবা চৎলুবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ রিসফল অসিগা মরী লৈননা বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সহা য়াওনা লুচিংবশিং উন্ননবা ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে।

হৌজিক ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা হয়েং পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমিত শাহগা উন্নরবা য়াই। মহাক্তসু নত্তনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ–থৌরাং কয়াগী থবকশিংগী পি এম নরেন্দ্র মোদিসু উন্ননবা থৌরাং তৌরি।

মমাঙদা বি জে পিগী এম এল এগী মরক্তা খরনা চীফ মিনিষ্টর শিন্নবা অকনবা লাঞ্চং চঙশিল্লুরবা মতুংদা মদুদগী খোঙফম হন্দোক্লবা তুংদা এম এল এ খরনা অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর শিন্দনা লৈরিবা মিনিষ্টর ১১ অসিগী মরক্তা মিনিষ্টর খরা শিন্দোক্লবা অকনবা প্রেসর চীফ মিনিষ্টরদা পীরকখিবনি।

মিনিষ্টর রিসফল তৌনবা নিংঙাইদা বি জে পিগী এম এল এশিং, কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওখিবা এম এল এশিং হৌখিবা দিসেম্বর ১৮ দগী ২০ ফাওবা চখিখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমগী অহৌবা নুমিত্তা শরুক য়াখিদবনি।

বি জে পিগী এম এল এশিংগী নিঙাই অদু থেমজিন্নবগীদমক বি জে পিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী নোর্ঠ ইষ্ট ইন চার্জ অজয় জমৱাল ইম্ফালদা লাক্তুনা এম এল এশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগা লায়ননা থেমজিনলমখিবনি।

নিঙাই তৌরম্বা এম এল এশিংগী মায়কৈদগী হান্না মিনিষ্টর খরখক শিন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরম্বদু চীফ মিনিষ্টর য়াওদনা মিনিষ্টর লোয়নমক শিন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরকপগা লোয়ননা চৎলিবা জনুৱারি থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্টর রিসফল তৌগদবনি হায়না মতম থাদুনা লৈরিবনি।

এম এল এশিংনা থাখিবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা নিউ দিল্লিদা চত্তুনা পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমিত শাহ য়াওনা পার্টি হায় কমান্দগা উন্নদুনা ৱাতান্ননবগীদমক বেঙ্গলুরুদগী ন্যু দিল্লি পাঙখিবনি।

পার্টিগী হায় কমান্দগী ৱাফম তারবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর *মখা লমায় ৩দা...*

# পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট কনানা ওইরিবনো খঙদবদগী রিগুলর পার্মিট পীবা ঙমদ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৩ (এস এন এস)ঃ

ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) চৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুরদা চঙলক্তুনা লৈরবা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌরিবা ময়াংশিংনা রিগুলর পার্মিট তান্নবদা পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট ওইগদৌরিবা কাঙবুদু মশক তাক্লমদবদগী খুদোংচাদবা চাউনা মায়োক্লরে।

রিগুলর ইন্নর লাইন পার্মিট লৌননবগীদমক এপ্লিকেসন থাবদা মণিপুরদা পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট ওইবা মীওই অমনা স্পোন্সর তৌদবা য়াদে। অদুবু মণিপুরদগী ইন্দিজিনস পার্সন অমসুং পার্মিনেন্ট রেসিদেন্টশিং অদু কনা কনানা ওইগদৌরিবনো হায়বগী দিফিনিসন অমত্তা আই এল পিগী গাইদলাইনদা য়াওরমদবা মরমনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীওই অমদা রিগুলর পার্মিট পীবা ঙমদ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শম ককপগী থবক তৌরিবা ময়াংশিংসু আই এল পি পায়দবা য়াদবনিনা মখোয় করম্বা মখলগী আই এল পি পায়গদগে হায়বগী মতাংদা অখঙ–অহৈশিংনা রিগুলর পার্মিট পায়গদবনি হায়না মখোয়দা ফোঙদোকই হায়রি। হায়রিবা পার্মিট অসি লৌননবগীদমক মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিদা মতম মাঙবমখৈ চৎলুরগা পার্মিনেন্ট রেসিদেন্ট ওইগদবা মীওই কনানো হায়বা লেপথোকপা ঙমদে হায়দুনা পার্মিট পীদ্রে। মদুগী মহুত্তা নুমিৎ ১৫ নি খক্কী ওইবা টেম্পরেরি পার্মিট পীরে। মসিনা মখোয়দা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না শম ককপগী থবক তৌবা ময়াং অমনা পাউচে অসিদা হায়রি।

মরক অসিদা, ঙসিসু মাওরোমদগী মীওই ১৪২ ইন্নর লাইন পার্মিট পায়রগা মণিপুররোমদা চঙলকখি। *মখা লমায় ৩দা...*

# প্রাইভেট দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর ২৮গী লেবোরেটোরি রিপোর্ট লৌদনবা রিমস অমদি জেনিমসতা খঙহনখ্রে



ইম্ফাল,জনুৱারি ০৩(এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা লৈরিবা ভেলিদ রেজিষ্ট্রেসন পায়দবা দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরি ২৮গী লেবোরেটোরি ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্টশিং রিমস অমদি জেনিমসনা লৌদনবা মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্টর ওফ মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেস, ডা. কে রাজোনা ফোঙদোকখ্রে।

দাইরেক্টর ডা. কে রাজোনা দাইরেক্টর রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অমদি দাইরেক্টর জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা ইবা চেরোল অমদা হায়রিবা দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরি ২৮ অসিনা পীবা লেবোরেটোরি ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্টশিং লৌদনবা খঙহনখিবনি।

ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট লৌদনবা খঙহনখিবা লন্নাই লেবোরেটরিশিং অদুদি রিমস রোদতা লৈবা লম্ফেল এক্স–রে, পব্লিক এক্স–রে, গ্লোবেল দাইগ্নোষ্টিক্স, পোরোম্পাৎতা লৈবা লৈমা দাইগ্নোষ্টিক্স, রেদিকেল দাইগ্নোষ্টিক্স, পোরোম্পাৎ কোঙখাম লৈকাইদা লৈবা এ এম দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর, খুরাই চিঙাবম লৈকাইদা লৈবা সঙাই ক্লিনিক দাইগ্নোষ্টিকএন্দ রিসার্চ সেন্টর, রিমস রোদতা লৈবা পব্লিক এক্স–রে এন্দ ক্লিনিক লেব, থাংমৈবন্দ পোলেম *মখা লমায় ৩দা...*

## গাড়ী হুরানবা ফারে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৩(এস এন এস)ঃ

ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৪০ রোম তাবা মতমদা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী কে ঐচ সন্তোসনা লুচিংবা টিম অমনা গারী হুরানবা মীওই অমা মহাক্না হুরাল্লকপা রোয়েল ইনফিল্ড বুল্লেট অমগা কোন্ননা ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওই অদুদি এম দি অমির খান (২৭) অপোকপা এম দি নসির খান কৌই, লিলোং হাওরৈবী সমক্লখোঙদগীনি। মহাক লিলোং ওইল পম্প মনাক্তা লৈবা অতাও কার ৱাসদগী ফাবনি। মহাক্না কোন্ননা ফারবা রোয়েল ইনফিল্ড বুল্লেট অদুগী চেসিস নম্বরনা এম ই ৩ য়ু ৩ এস ৫ সি ১ জে এ এ ৩৯৮১৭৪নি। ইনজিন নম্বরনা য়ু ৩ এস ৫ সি ১ জে এ ৬৬৪৮১৮নি। মহাক্কী মথক্তা কেস লৌখত্তুনা থিগৎপা হৌরে হায়রি।

# বাংলাদেশতগী পুরকপা লুপা ক্রোর ৮.৫৩ গী ময়াই কাবা দ্রগ ত্রিপুরাদা বি এস এফনা ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৩ (এস এন এস)ঃ

বাংলাদেশতগী পুশিল্লকপা লুপা ক্রোর ৮.৫৩ রোমগী ময়াই কাবা য়াবা টেব্লেট ১,৬৮,৫০০ রোম ইন্দিয়া–বাংলাদেশ বোর্দরদা লৈবা ত্রিপুরাগী মফম অমদগী বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ), দাইরেক্টোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টিলিজেন্স অমদি পেরা মিলিটরি ট্রুপ্পরশিংনা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়রি।

টেব্লেটশিং অদু ত্রিপুরাগী সপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মাটিনগর রায়েরমুরা খুঙ্গংদা লৈবা ইশান বুইয়ান কৌবা মীওই অমগী য়ূম অমদগী কার্টুন বোক্স ২ দা অমুবা পোলিথিননা কুপশিন্দুনা লোৎতুনা লৈরম্বগী ফাগৎখিবনি। মহাক চহী কয়াগী মমাঙদগী ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোন্দুনা লৈরকপা মীওইনি। পুলিসনা ফাননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। মখাতানা মখোয়না লাল্লোনবদা শিজিন্নবা ওইরমগনি হায়না চিংনবা কার অনীসু ফাগৎপা ঙম্লে হায়না পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

দ্রগশিং অদু হি অমদা হাপ্পুনা বোর্দর লাম্বোল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি শ্রীলঙ্কানচিংবা লৈবাকশিংদা পুশিনগদবনি। অদুমওইনমক বি এস সি, বি আর আই অমদি পেরা মিলিটরি ট্রুপ্পরশিংনা মতম চানা ফগৎপা ঙমহৌখিবনি। দ্রগশিং অদুবু লোৎতুনা থল্লম্লিবা ইশান বুইয়ান অমদি মহাক্কী খোংবু তুমী মায়া অমসুং সোয়ান মীয়া কৌবা মীওই অনীদি নাম্বোক্তুনা চেনখিবদগী মখোয়বু ফাননবা থিবা হুম্বগী থবক চখরি হায়রি।

পনবা য়াবদি, নাকোর্টিক কন্ত্রোল ব্যুরোগী দাইরেক্তর জেনরেল রাকেস অসথানা লুচিংবা অৱাং নোংপোক ষ্টেট ৮ গী পুলিসগী মকোক থোংবা ওফিসারশিং অমদি বি এস এফ, অসাম রাইফল, সি আর পি এফ অমসুং ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংগী ওফিসারশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা চাইনা, নেপাল, ম্যান্মার, বাংলাদেশ অমদি ভুতান্নচিংবা ইন্টর্নেসনেল বোর্দর ওইরিবা ষ্টেটশিং অসিদা ময়াই কাবা দ্রগ পুশিল্লকপা থিংননবা ৱাফম কয়া খন্নবা লৈখ্রবনি। *মখা লমায় ৩দা...*

# দেসামগী ১৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৩ (এস এন এস) ঃ

লমদম অসিগী মহৈরোই লূপ অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী ১৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিয়েল (জি এম) হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইমপ্রোভিং লার্নিং আউটকমস কোলস ফোর স্ট্রেটেজিক রিফোর্মস এন্দ ইনটরভেন্সন হায়বা থিম অসিদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোই লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সলাম অকাশনা লমদম অসিগী এদুকেসন সিষ্টেম চুমথোক্লবা হোৎনবদা মহৈরোই লূপ অমা ওইনা দেসামনা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌখৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা দেসামনা হৌখিবা চহীদা প্রাইমারি, হায়স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দরি লেভেল ফাওবদা লৈরিবা এদুকেসন সিষ্টেম অসি নৈনদুনা লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফমশঙশিংদা কদায়দা করি ৱাৎলিবগে হায়বদু য়েংশিন্দুনা লাকপনি। লোয়ননা হায়রিবা মহৈ তম্ফমশঙশিং অসিদা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা কয়া অমা পীরবসু ইমুংগী শেম্বোক লম্বীগা চুনবা মহৈ তম্ফমশিং অসিদা অঙাংশিং মহৈ তমহনবগী মহুৎ শেল য়ান্না–য়ান্না তিংদুনা লন্নাইগী স্কুলশিংদা মহৈ তমহল্লিবসি চুন্নিব্রা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা চঙশিন্দুনা লাকপনি।

চহী অসিগী ওইনসু ষ্টেট অসিগী হায়র এদুকেসন *মখা লমায় ৩দা...*


ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯄꯥꯋꯔ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯕꯨꯁꯟ

MSPDCL

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LTD.

## খঙহঙ্গবা

GM-II, MSPDCL

মৈগী খাজনা কাননবা অমদি মৈ চাং নাইনা ফংনবগী পান্দমদা রেভিন্যু ড্রাইভ চৎচবদা (1) DGP, GOM (2) Director & Jt. Director Vetirinary Department (3) A.D. Medical Directorate (4) Director, Siriculture (5) C.E., IFCD (6) Education Departgment (S) নচিংবশিংনা মৈগী মরু ওইবা মতীক চানা খঙবিদুনা মতেং পাঙবিরকপবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

অসিগুম্লবা মণিপুরদা লৈবিরিবা মৈ শীজিন্নরিবা গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমদি লন্নাই শংস্থানশিংনা মৈগী খাজনা মতম চাদা থিদোকপীদুনা MSPDCL না 24x7 মৈ পীননবা হোৎনজরিবা অসিদা ময়ামগী মতেং মখা তানা নিজরি।

খঙহঙ্গরিবা
GM-II
(B. Ibomcha Sharma)

SL/B/4


# মণিপুরদা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং শাবদা জিও তেগ তৌরে

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৩(এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী মখাদা ৬ শুবা ফেজগী ওইনা পায়খৎলিবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং শাবগী থবক অসিদা অরানবা তৌবা ঙমদনবগীদমক জিওতেগ্গিং তৌহনলে হায়রি।





দিপার্টমেন্ট অসিদগী পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়, তরুকশুবা ফেজ অসিদা পুন্না অঙ্গনৱাদি সেন্টর লিশিং অমা শানবা পান্দম থল্লিবনি। শাগদৌরিবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর লিশিং অমা অসি দিষ্ট্রিক্টশিংদা এলোকেসন তৌবা লোইখ্রে।

৬ শুবা ফেজ অসিদা বিষ্ণুপুরদা সেন্টর ৪৩, চান্দেলদা সেন্টর ৬০, তেংনৌপলদা সেন্টর ২৯, চুরাচান্দপুরদা সেন্টর ১২৮, ফেরজোলদা সেন্টর ৩৬, ইম্ফাল ইষ্টতা সেন্টর ১২২, জিরিবামদা সেন্টর ১০, ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেন্টর ৮১, উখ্রুলদা সেন্টর ৫৩, কামজোংদা সেন্টর ২৩, থৌবালদা সেন্টর ৫৮, ককচিংদা সেন্টর ২৮, তমেংলোংদা সেন্টর ৩৫, নোনেদা সেন্টর ৩৪, সেনাপতিদা সেন্টর ৭৮ অমদি কাংপোকপীদা সেন্টর ১৮২ শাগদৌরিবনি।

অঙ্গনৱাদি সেন্টর শাগদৌরিবা মফমশিং অদু লেপথোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি সিশিংদা হায়খিবগা লোয়ননা মদু লেপথোকপা লোইরক্লে হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর লিশিং ১ শাগদবা অসিগী মনুংদা ৮৮৮ দি মফম লেপথোক্লে। শাগদৌরিবা সেন্টরশিং অসিগী মনুংদা সেন্টর ৪৬২ দি স্কুল কেম্পসতা শাগদৌরি। সেন্টর ১৯১ না লৈঙাক্কী লমদা অদুগা সেন্টর ২৪০ না দোনেট তৌরবা লন্নাই লমদা শাগদৌরিবনি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা সেন্টর ৪৩ গীদি লম লৈত্রি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, তেংনৌপলগী ওইনা সেন্টর ২, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেন্টর ১০, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সেন্টর ২ দি অকুপ্পা ৱারোল দিপার্টমেন্টতা খঙহনলকপা *মখা লমায় ৩দা...*


